
# ‘উ-মংগ্রাগী ওর্গানিক প্রদক্সন’








*Contributed By:*
Dr. Ak. Bijaya Devi
Dr. Ng. Piloo
Dr. G. Suja*
Department of Horticulture
College of Agriculture
Central Agricultural University
Imphal.
* CTCRI, Thiruvananthapuram,
Kerala

All India Co-ordinated Research Project
on Tuber Crops
C.A.U., Imphal Centre

Scanned by Scanner Go

## 'উ-মংগ্রাগী ওর্গানিক প্রদক্সন'

উ-মংগ্রা হায়নৌ বাইওলোজিকেল ইফিসেন্সী যান্না ৱাংবা পান্থী অসি যান্না মরুওইবা ট্রোপিকেল ত্যুবরক্রোপ অমনি। হায়রিবা পান্থী অসিনা রুরেল লাইবলিহুদকী ফুদ অমসুং ন্যুত্রিসন সেক্যুরিতিদা যান্না মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

উ-মংগ্রা অসি স্টার্চ, সাগো, অলকোহোল অমসুং শা-ষনগী মচিঞ্জাক শেম্বদা মরুওইবা রো মেতরিয়েল ওইরি। উ-মংগ্রাগী স্টার্চ অসি টেক্সটাইল, ফার্মাক্যুতিকল, পেপর অমসুং ফুদ ইন্দষ্ট্রিশিংদা শিজিন্নৈ।

ক্লাইমেট রেদি ক্রোপ ওইবনা উ-মংগ্রা অসি মার্জিনেল এনভাইরনমেন্ট, ইনপুত য়ামদবা, মখল-মখাগী লৈবাক অমসুং অঙীং-অশা, লৈক্রক চৎপা মফম অমসুং অসিনবা লৈবাক্তা চাৎনৈ। মরম অদুনা উ-মংগ্রা অসি তোঙান-তোঙানবা মফমদা হিংবা ঙম্মি।

লৈমাওখৎলকপগী মতুংইন্না ফুদ সেফটি অমসুং সেক্যুরিটি, ইনভাইরনমেন্ট কন্নবা, বাইওদাইবর্সিতি অমসুং মীওইবগী য়াইফনবা খন্দুনা ওর্গানিক টেকনিক শিজিন্নদুনা চানা-থক্লবা পুথোকপসি অচৌবা দরকার ওইরি।

ওর্গানিক উ-মংগ্রা পুথোকপদা চৎনগদবা নিয়ম-নিতি মখা শন্নপ্পা পীজরি।

উ-মংগ্রা তানগ্নবা মতুংদা লৈহৌবা ফ্রেস উ-মংগ্রা পান্থীগী পার্টশিংদু হেক্টর অমদা ৭-৯ টনস কী চাংদা হাপ্পীগনি (মসিনা দ্রাই-বায়োমাস হেক্টর অমদা ২-৩ টনস পুথোকই)।

উ-মংগ্রাগী মোজাইক লৈনাগী রেজিসতেন্ট ওহবা মখলশিং (ভেরাইটিজ) হায়বদি Sree Reksha, Sree Sakthi অমসুং Sree Suvarna থাবীগদবনি।

লাইনা-তিন্না চংদবা উ-মংগ্রাগী মশা ফবা চারা শন্না হায়রবদা Sree Pavithra মখল (ভেরাইটি) অসিসু থাবিগনি। উ-মংগ্রাগী 15-20 cm শাংবা ওর্গানিকেল্লী পুথোকপা পান্থীগী মখোক্তগী লৌরগা থাবিগনি। পান্থী অহানবা ওইনা থাবা মতমদা ফজনা পৎথ-পুমথরবা ষনথি-ষনয়ুং অসি ১২.৫ টনস পর হেক্টরগী চাংদা (হায়বদি পান্থী অমদা kg অমা) হাপ্পীগনি। বাইওফর্টিলাইজরস হায়বদি Azospirillum, Phospho-bacteria অমসুং K solubilizer অসি কিলো অহুম হেক্টর অমদা থাবা মতমদা হাপ্পীগনি। উ-মংগ্রা পান্থী অনিগী রোগী মরক্তা গ্রীন মেন্যুর ক্রোপ হায়বদি Cowpea গুস্বা পরি অমদা 20 kg গী চাংদা থাবিগনি অদুগা গ্রীন মেটরনা নুমিৎ ৪৫-৬০দা হাপ্পীগনি। গ্রীন মেন্যুর হাপ্পসিনা গ্রীন মেটর অসি পরি অমদা ১০-১৫ টনসকী চাংদা হেনগৎহল্লি।

### ওর্গানিক প্রদক্সনগী খুদোংচাবশিং

- শাংনা চথবা ঙস্বা পোথোক (পরি অমদা ২৬.১৯ টন্স)
- অফবা অমসুং মগুন লৈবা ট্যুবরস (+2.72% দ্রাই মেটর, +8.60% স্টার্চ, +7.72% Crude protein, −19.60% HCN, +P, +K, +Ca, +Mg, +Fe, Mn অমসুং +Zn হেন্না ফংবা ঙম্মি হায়রিবা ওর্গানিক প্রদক্সন টেকনিক অসিনা মীয়ামগী চৎনবিগী থাবগী মওংগা চাংদমনবদা)
- লৈবাক লৈহাও মগুন লৈবগী index ৱাংহল্লি (0.94)
- ইনর্জি শিজিন্নবগী যৌওং হেনগৎহল্লি (মীয়ামগী চৎনবীগী মওংদগী +72.61% হেনগৎহল্লি)
- শেল তানবগী চাং ৱাংখৎহল্লি (পরি অমদা লুপা ২,৮৬,৬৬৪)

Protocols




Scanned by Scanner Go